# মণিপুর পুলিস (এ), মৈরাবা পোলো ক্লব (এ) ক্বার্টর চঙখ্রে
# কৃপসানা অহানবা রাউন্দদা নোংচুপ পানা থোইখ্রে

POLO

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ঃ* ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চখরিবা ২৯ শুবা এন হজারি অমদি ডাঃ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) অমদি মৈরাবা পোলো ক্লব (এ) ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অহানবা রাউন্দগী শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা কৃপসানা নোংচুপ পানা শগোল কাংজৈ লুপ (সি)বু পাঞ্জল ৮–৪ দা মায়থীবা পীরগা প্রি–ক্বার্টর চঙখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা কৃপসা অমদি নোংচুপ পানাগী কৃপসাগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এস সুরেশনা ৫, কে এস ঐচ নাওবী, এস মোমোন অমদি এস রোবার্টনা অমমম চনখিবনি। নোংচুপ পানাগী পাঞ্জলশিং অদুনা এম সঞ্জয়না ৩ অমদি কে ঐচ বঙ্কিম্না ১ চনখিবনি।



*মৈরাবা পোলো ক্লব (এ) অমদি টেকচম পোলো ক্লব (বি)না শান্নখিবা অনীশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ।*

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ)না ইবুধৌ থাংজি পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। মণিপুর পুলিসকী পাঞ্জলশিং অদু এম জৱাননা ৪, আই খাবা, এস বিমোল অমদি এম সুর্জিৎনা অমমম চনখিবনি। ইবুধৌ থাংজিংগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা এস অরুনকুমারনা অহুমশুবা চক্রদা চনখিবনি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মেরাবা পোলো ক্লব (এ)না টেকচম পোলো ক্লব (বি)বু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর চঙখিবনি। মৈরাবা পোলো ক্লব (এ) মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অনীশুবা চক্রদা এস জেমসননা য়ৈশিনখিবা বোল অমা টেকচমগী শান্নরোই অমনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা শোয়বদগী চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব (এ)গা টেকচম পোলো ক্লব (সি)গা, অনীশুবা মেটচতা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লব (এ)গা খুরাই পোলো ক্লবকা অমদি অহুমশুবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি)গা এক্স ফিটনেসকা শান্নগনি।

# সন্তোস ট্রোফিগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোক্লগনি, জর্সি নম্বরশিং লাওথোকখ্রে



*ট্রেক সুট য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিংগা কোচ অমসুং মেনেজরগা ফোটো নম্মিন্নবা।*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ঃ* মীজোরামগী আইজোলদা থা অসিগী ২৭ তগী হৌগদৌরিবা ৬৮ শুবা নেস্লেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ট্রোফি নোর্থ ইষ্ট জোনদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর টিম হয়েং অয়ুক ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মণিপুর টিমগী কেপ্টেন হয়েং ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈ মমাংদা লাউথোক্লগনি।

মণিপুরগী মহুৎ শিনগদৌরিবা শান্নরোইশিংগী ট্রেক সুট ঙসি অয়ুক আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা মশা মশানা লিংকদবা জর্সি নম্বরশিংসু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা ঙসি লাওথোকখ্রে।

গোলকিপর এল প্রেমকুমারনা জর্সি নম্বর (১), টি খোংসাইনা (২০) অমদি সি ঐচ কুমার সিংহনা (১৩) লিৎলগনি। দিফেন্দর টি ঐচ ইতোম্বা সিংহনা (২), এম দি সোহেল সাহানা (৩), থাংথাং কোমনা (৪), ৱাই কৃষ্ণকুমারনা (৫), দেনিয়েল এল মারনা (১৫) অমদি এ হেরোজিৎ সিংহনা (১৯) লিৎকনি। মিদফিল্ডর এম দি রিয়াজ খাননা (৬), এম দি ইমরান খাননা (৭), এন সুশিল মৈতৈনা (৮), এম দি সহিদুর রহমননা (১১), এল গৌরোনা (১২), থাং কুকিনা (১৭) অমদি খৃষ্টোফর কামৈনা (১৮) লিৎকনি। ফোরৱাদ কে ঐচ নাওতোননা (৯), টি ঐচ প্রেমকুমারনা (১০), কে ঐচ ছটিশনা (১৪) অমদি এল সনাতোম্বনা (১৬) লিৎকনি।

ট্রেক সুট অমদি জর্সি নম্বর য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সন্তোসকুমার, সেক্রেটরি এ রঞ্জিৎ রোই অমদি ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

# সাইক্লোননা ব্লু হোকপু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ঃ* লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চখরিবা ১১ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ব্লু হোক খুরাইবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদু ব্লু হোক্না টোস ঙম্লগা হান্না বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩০ লৌখি। ইনিংস অদুদা আনন্দ অমদি সুরর্জিৎনা নোট আউট ওইরগা মথংশিৎনা বোল ৬০ দা রন ৪১ অমদি বোল ২৩ দা রন ৩০ লৌখিবগা লোয়ননা দেবকান্তনা বোল ২৯ দা রন ১৬ লৌখি। সাইক্লোনগী বোল্লর অরুননা ৱিকেট ২, রোবিন্দ্রো, সুরচান্দ, বিনোয়,



টিকেন অমদি রন্ধিরনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

সাইক্লোননা অনীশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা টার্গেট রন ১৩১ অদু ওভর ২০.১ দা ৱিকেট ৩ তুরগা লৌদুনা ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখিবনি। ইনিংস অদুদা রোবিন্দ্রো অমদি হোকেন্দ্রোনা নোট আউট ওইরগা মথংশিৎনা বোল ৪৫ দা রন ৩৭ অমদি বোল ১৪ দা রন ১৮, বোবিনা বোল ২৬ তা রন ২৬, ইঙেনজাওনা বোল ১৮ দা রন ২১ লৌখি। ব্লু হোক্কী বোল্লর রিসিকান্ত, হেমচন্দ্র অমদি বোবীনা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী রোবিন্দ্রোনা তাখি। হয়েং দি এস য়ু গা য়ু সি সিগা শান্নগনি।

# এম য়ু টেবল টেন্নিসকী প্রোবিজিনেল শান্নরোইশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ঃ* য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলকটা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ফেব্রুৱারি ১০ দগী হৌগদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি মেন্স এণ্ড ৱুমেন্স টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৩–১৪ দা শরুক য়ান্নবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী টিম শেম্নবগী প্রোবিজিনেলগী ওইনা মেন্সকী শান্নরোই ১৪ অমসুং ৱুমেন্সকী শান্নরোই ৮ দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা খনখ্রে।

মেন্সকী ওইনা খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি বিরমঙ্গল কলেজকী আর কে বিক্রম, টি বোনি, ঐচ গজনেস, নাওরেম বিরহরি কলেজকী ৱাই বোই সিংহ, থৌবাল কলেজকী দব্লিউ জোনি সিংহ, ও বি বিশ্বনাথ সিংহ, এ কে চাওবা সিংহ, ময়াই লম্বী কলেজকী এস সুভাস সিংহ, সি ঐচ মনোরঞ্জন সিংহ, এল এম এস লো কলেজকী এস ৱিল্লিয়ম মৈতৈ, এম রোনাল্ড সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাই সোভাজিৎ সিংহ, দি এম কলেজ ওফ কমর্সকী এম রোজিৎ সিংহ অমদি দি এম সাইন্সকী কে রোকি সিংহনি।

ৱুমেন্সকী ওইনা খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজকী এন অনা দেবী, এন রুপাধর্তি দেবী, থম্বাল মরিক কলেজকী রোমিতা কোঞ্জেংবম, দব্লিউ দিম্পল দেবী, টি রেদিতা দেবী, টি নোংপোক ঙানবী দেবী, এল এম এস লো কলেজকী এ কে বিজয়ারানি দেবী অমদি টি ঐচ রেবিকা দেবীনি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ২৫গী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা ডাঃ কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়ম মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা শান্নবদা চঙগদবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এম য়ু স্পোর্টসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এস ৱাই সি অমদি এস এস সি সি মায় পাকখ্রে

CRICKET

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ঃ* বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা চখরিবা ১৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন দেবলা মেমোরিয়েল ট্রোফি টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা এস ৱাই সি খাঙবোক অমদি এস এস সি সি নাওরিয়া পাখঙলাকপা মায় পাকখ্রে।

অহানবদা শান্নখিবা গ্রুপ (এফ)কী মেটচতা এস ৱাই সি খাঙবোক্লা এন ৱাই এস এ শঙাইয়ুম্ফম্বু ৱিকেট ৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। এন ৱাই এস এনা অহানবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৬২ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা এস ৱাই সিনা অনীশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা টার্গেট রন ৬৩ অদু ওভর ১০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা লৌদুনা ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা এস ৱাই সিগী সুরেশনা তাখি।

অনীশুবদা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা এস এস সি সি নাওরিয়া পাখঙলাকপনা কে বি সি খাগেমপল্লিবু রন ৪৮দা মায়থীবা পীখ্রে। এস এস সি সিনা অহানবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ১৫ দা ওল আউট ওইরগা রন ৮৮ লৌখি। কে বি সিনা অনীশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ১৪.৪ দা রন ৪০ খক লৌবদগী রন ৪৮ দা মায়থীখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা এস এস সি সিগী মোমোনা তাখি।

# ২ শুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র ওপন ফুটবোল

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ঃ এম এল এ আর কে ইমো সিংহনা স্পোন্সর তৌরগা শগোলবন্দ মন্ত্রি লৈকাই ভলন্টরি ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা বিজয় গোবিন্দগী গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৫ দগী ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবা অনীশুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র সেবেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচশিং নুমিদাংগী মতমদা মৈ থাদুনা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক এম এল এ ইমোনা পার্মেনেন্ট ওইনা ইলেক্ট্রিক ফিটিং তৌখি।*

## ফুটবোল্লর ৭ এ আই এফ এফ গৱা একাদেমি ট্রায়েলগী খনখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ঃ* ফেব্রুৱারি ১৪ দগী ২২ ফাওবা এ আই এফ এফ গৱা একাদেমিদা চঙনবগী ট্রায়েল সেলেক্সনদা শরুক য়ান্নবা মণিপুরগী শান্নরোই ৭ খনখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খল্লবা ফুটবোল্লরশিং অদুদি এন ভগিরত সিংহ, এম দি রকিপ, দব্লিউ সুরেশ সিংহ, এল নোংলৈ লৈশেম্বা মৈতৈ, এ দিঙ্কু শর্ম্মা, টি ঐচ বোরিস সিংহ অমদি এন ধ্রুব সিংহনি। কেম্প অসিগীদমক খল্লবা শান্নরোইশিংনা ভেন্যু মফমদা তাং ১৪ দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি। অকুপ্পা মরোল অস্ফাগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি।

## কেস প্রাইজ ছেপাকতাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ ঃ* য়ঙ সোসিয়েল সার্ভিস য়ুনিয়ন (ৱাই এস এস য়ু) শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকাইনা শিন্দুনা নেপ্রাম মেঞ্জোর মমাং লম্পাক্তা ফেব্রুৱারি ১৩ দগী ১৬ ফাওবা অহানবা ৱাই এস এস য়ু ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ট্রোফি কেস প্রাইজ ছেপাকতাক্রৌ চেম্পিয়নসিপ পাঙথোক্লগনি। ৱিন্নর, রন্নর অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাবা টিমশিংদা মথংশিৎনা লুপা লিশিং ১০, ৭ অমদি ৫ গী মনা লৈগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা ফেব্রুৱারি ১০ ফাওবনি।

## সেকেন্দ দিভিজনগী রেফরি ৩ কৌরক্লে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২১ ঃ* ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিন্দুনা ২০১৩–১৪ সিজনগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগকী মেটচশিংদা কন্দক্ট তৌননবা মণিপুরগী রেফরি ৩ এ আই এফ এফনা কৌরক্লে। রেফরিশিং অদুদি পি ঐচ লম্থোইবা সিংহ, লটিফ অলি অমদি অজিৎ মৈতৈনি।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*